# মণিপুরী লোলগী নুমিত্তি পাঙথোক্লখ্রে, নাৎ-পু তাদনা ঙাঙনরিবা লোল খরা অসিনা কমদৌবা

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

এসিয়াদা খুন্দারিবা মীওই কাঙলূপশিং অসি হৌরকফম তিন্নবনরা খঙদে মান্নবা ময়াম অমা লৈ। করিগুম্বা মতমদা কনানা কনানো হায়বদু খন্দোকপা ঙম্মদবা মতাংসু লাকপা জাৎনি। খুদক খুদক্কী ওইনা য়াম্না লায়বা মওংদা মাগী মাগী কম্যুনিতি মশক তাক্লনবা পান্বেসি মা মানা লোল্লিবা মমালোলনা ওই হায়বসি পূম্নমক্কা য়ানরবা ৱাফমনি। ইশা ইশাগী লোল অসিবু মীগী লোলনা নমহৎখিদ্রমখৈ য়েলহৌমী মূৎখিদ্রা হায়বগী অকিবা-মিপাইবা লৈফম থোক্তে হায়নীংই। ইরমদম মণিপুরগীসু অদু মঙায়। মৈতৈলোল অসি মাঙহৈ-তাহৈদবা লোলনি হায়বা য়াই। লোল অসিনা চীং অমদি তম্পাক লমদা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরক্লিবা কাঙলূপ খুদিংমক্কী ফাওনা লোল ওইদুনা ***ঐখোয় অমত্তনি*** হায়বা ৱাখল মিৎয়েং অসি ঙসি ফাওবা লেঙদনা লৈরিবনি। অহোংবা মতমগী ঈচেল তুংইন্না লমদম অসিদা লোন্নরিবা লোন্দা পুদাদা অনৌবা ৱাহৈ ৱাতা কয়া থেৎচিল্লকখি। অদুবু মদুমক্কা ঐখোয়গী লোল অসিগী মচৎ মওং পুমহোং হোংনখি হায়বা য়ারোই। শমজিল্লবদা থায়নগী অরিবা লোল ৱাহৈ ৱাতাশিংদগী খরা খরা থৈদোরক্তুনা মীপূম খুদিংমক্কা খঙবা ঙম্বা মৈতৈলোলবু ইবা অমদি ঙাঙবা মতমদা শীজিন্নদুনা ঐখোয় মণিপুর ইমাগী মচাশিংনি হায়বগী চাউথোকচবা পোকচৈ।

মণিপুর পুৱারীদা তাংকক খরা লৈখিমাল্লে মদুদি ঐখোয়গী ঈরোল ঈয়েক্কী ঈচেলদা অতোপ্পা লোল ময়েকসু তিনশিল্লকখি। করি অমুক হায়রুনি ঐখোয়গী ইশাগী লৈজবা ময়েক্কী মহুত্তা বেঙ্গোলি ময়েক ওইনা চৎনরি। ঙসিদি ঐখোয়গী ঈয়েক অসি অমুক চৎনরক্তুনা স্কুলদগী য়ুনিভর্সিটি থাক ফাওবা বেঙ্গোলি ময়েকপু মীতৈ ময়েক্না শিন্দোকখ্রে। অদুবু ইশাগী ইয়েক অসি খঙলবসু খূৎলোয়দবা মীওই ময়াম অমসু লৈরি। লাইরিক ইবা, ফোঙবশিংগী ওইনদি বেঙ্গোলি, হিন্দিনচিংবা লোলশিং য়ারিমখৈ য়াওহন্দনবা হোৎনবগী মমি তারে। মসিনা হিন্দি, বেঙ্গোলি থেৎলগা খঙবা, হৈবা, লাইরিক হৈবনি হায়না খন্নরম্বগী ৱাখল্লোন অদু খরা খরা মমি শামজিল্লক্লে হায়বা য়াই। মসিনা ঐখোয়গী লোল অসি ইরোমদোম লেপচবদা ঐখোয় ইশানা তশেংনমক য়ানীংলবরা হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহং ওইরি। ঐখোয়না ঙাঙন শক্লরিবা লোল অসি থায়নদগী হৌনা মফম, মতম কাঙলূপকী মতুংইন্না খেন্নবা মশক কয়াসু লৈরম্মী হায়বসি ৱারী লাইরিকশিংদগী খঙবা ঙম্মী। অদুবু শুপচিন্না য়েংবা মীৎয়েংদা কোনুং মনুংদা ঙাঙনবা লোল অমদি খুল্লক লৈরক্তা ঙাঙনবা লোল হায়না অনী থোক্লা খায়দোকপা য়াই। লাইবক ফবদি হিন্দি, বেঙ্গোলিগী অকনবা শাফুনা য়ৈরবসু লমদম অসিদা ঙাঙনরিবা লোন্না ঙসি ফাওবা হিংদুনা লৈরম্বসিমক্তি ঐখোয়গী লাইবক ফবনি। লোনয়ান য়াওবগী খুদম অমত্তং লৌখৎচরবদা অঙাং ওইরিঙৈদা ইমাখোয়না ঐখোয়বু কৌবদা চরুরিদা লাকউ হায়বসি তোয়না শীজিন্নখি। মদুদা লোনয়ান লোন্থে য়াওই হায়বসি মতমদুদা খঙখিদে। কয়ামুক য়াম্না লোনয়ান শীজিন্নবগী চাংসি ৱাংলম্বগে হায়বদা লুহোংবা, লান্ন-থৌরম্নচিংবদা ইশাগী লোলগী ঈশৈ তাবা ফংলকপসি ঙসি ঙরাংখক্তনি। চেবাউ (বার্ত্তন) দা ইরিবা লোলশিংদি লোনয়ান্না পীক থল্লি। পত্রনা নিমন্ত্রন কৎচবা, ভেদ কৎপা, প্রসাদি, শ্ব-পরিবার, নাম ফংজদুনা, বীণিতগন্নচিংবা অমদি লুহোংবগী মতাংদসু শুভ-বিবাহ, বর কন্যা, মঙ্গল অশির্ব্বাদনচিংবা মখল মথেলনি।

ঙসিদি অনৌবা অকিবা অমা অমুক লাক্লে মদুদি ঐখোয়গী অঙাং পিশকশিংনা মতম অমদা ইমালোলসিবু থৌশাবীরক্লোইদ্রা হায়না। মহৈ তম্বা হেক হৌবগা মহৈ লোয়শঙদসু, ট্যুসন মফম অমদি য়ূমদসু ইশাগী লোলদা হান্না খঙহনবগী মহুত্তা হৈ-রা, চান-থক্লবদগী হৌদুনা পোৎলম কয়াবু ইংরাজি লোলদা চিন্দম্বীবগী মচৎ অমা লাক্লি। চৈরকসিদা টি ভি চেনেলশিংদা অঙাংশিংনা ইরায় লায়না খঙবা য়াবা মওংদা মখল মথেল ময়াম অমা উৎলি। পিশক পিল্লিবদু হিন্দি, ইংরাজি ফজনা ঙাঙবা ঙম্মী। মদু ফত্তে হায়বদি নত্তে ফৈ। শাউনীংলিবদি অঙাংদো ইরোলদি ফজনা খঙদে হিন্দি, ইংরাজিনা খূৎলোয়বা হেল্লি হায়দুনা মখোয়গী মমা মপা অমদি মপু মবেন য়াওনা চাউথোকপা পোকচবদুনি। ঐগীসে চিন থীদুনা হায়জিনবা নত্তে, থা ফাদ্রি ইমাঙমক্তনি ঙাঙন শক্লখিবদু। ঐনা ফাগিদা অচুম্বা য়াওনা হায়বশারুই - ***নশুদো মণিপুরীসু খরা খরা তম্বীয়ু, মমালোল খঙদদুনা মরিং মরাংজনি।*** মদুদা মবোক্তুনা ইরায় লায়না খুমদোরকই - ***খঙদ্রসু তোকসনু হিন্দি, ইংরাজি পাইখৈ ঙাঙবা হৈরদি য়ারে। মমান্নবা মমাঙদা চাং তাদনবা। ঐখোয় লাইরিক তমহৌদদুনা ঙাঙবা হৈতবগী অপঙ তারে।*** হায়রুবা ঐনা অরানবা ওই। মরকসিদা কোরিয়া মরোলসু পংথেত্তা থেৎচিল্লক্লি। মসিদনি ঐখোয়গী লোলনা তুংগী মীরোলদা থেংনগদৌরিবা অকিবসি। ইরায় লায়বা মাল্লগা য়াম্না লুবা হীরমনি। থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা হৌজিক হৌজিকমক্কী ওইনদি মচাশিংবু ইমালোল হান্না মমুৎ তানা খঙহল্লগা অতোপ্পা লোলসু খঙহনগদবনি হায়না খনবা মমা মপাগী মশীং অদুক্কী মতিক য়ামদে হায়নীংই।

ঐখোয়গী মিংগৌ থাগৌ তরাই তরাইনা খনবা য়ারোই। মসিনা খুন্নাই অসিগী মীয়াম্বু চেৎশিন্না পূন্দুনা থল্লিবা নুংশিবগী লীপূন অসি মপাঙ্গল কনখৎহনবগা লোয়ননা লৈবাক মচা তাবা লোনচৎ শাজৎ শেমগৎপা অমদি নহা ঙম্নমক মীওই অমনা অতোপ্পা অমদা থকসি খাসি নাইনা চৎনবগী মচৎ অদু লেঙদনা থমদুনা লাকখিবনি। পলেম পম্বৌ, পারি-ইমোম হায়বসিনা মমা মপা ওইবশিংগা মচা ওইবশিংগগী অচেৎপা মরী অদু মাঙহন্দনা থমখিবনি। অহোংবা নাইবা পুৱারীগী ঈচেলদা ইমা-পাবুং হায়না মিংগৌরকপদা মরী অদু কোমথোকহল্লে হায়বা য়ারোই। মমি, দেদি, মোম, দেদ মিংগৌ পাইশিল্লকপদি কপ্লিংবা অমা য়াওই। তাচৌ, তয়াই, ইচে, ইনাও, ইতৈ, ইতৈমা, ইনম্মা, ইনে, ইন্দোন, ইকু, ইমাক, ইনেম, ইয়া, ইবাই, ইশেন, ইতোন, অতোনচিংবা কৌনবনা নুংদা নুংশিনদৌবা মাল্লি। ঈ মরী ঈখাইগনি হায়বগী মিপাইবা চিংনবকা লৈরোইদা। অমরোমদা মিংগৌনা মী অমগা অমগা লৈনরিবা মরী অদু ময়েক লানা খঙহনবা ঙম্মী। মীতোপ মীরানচানসু ঐখোয়গী অসিগুম্বা ইশাগী ওইবা মিংগৌ থাগৌ লৈজৈ হায়বসিদা ইকায়খুম্মনা শীংথাবীগনি হায়বসি চেৎনা থাজৈ। শাগৈ নাতৈ ইমুং মনুং নৎত্রবসু পঞ্জখ্রিবা মিংগৌ থাগৌ অসি শীজিন্নদুনা য়াম্না নকশিন্নহনবগী মতৌ অদু উৎলি। ইতাও হায়বা ৱাহৈ অসিমক থম্মোয় শেংবা মরুপকী মতৌনি। অসিগুম্বা মিংগৌশিং অসি ওন্দ্রে পাদে কৌনবগী মতৌনা মফম মরাং খঙহন্দবগী থৌওং অমা লাকপসি লাইবক থীবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা হৌজিক মতমগী য়ক লাউবী নুপীনিকা খঞ্জবী নুপী খরদি মতৈদা ইবাই কৌবা য়াওনরে। মৌনহা অয়াম্বনা মপুরোইবদা দা কৌনখৎলকই। মবুংদা ময়াম্বা, মৌপ্বাদা মনাওনুপা, মচলদা মনাওনুপীনচিংবা শেরান তুরান্নবনা পিক থল্লে। পূম্নমক অসি চেকশিন্না শেন্নহৌদ্রবদি ঐখোয়গী লোলগী মরাইবক ফৈরেংনখিবা হায়বসি শোয়দ্রবনি। মদুদা মাঙজগদৌরিবসি ঐখোয়খক্তনি। মণিপুরী লোলগী নুমিৎ চহী খুদিংগী পাঙথোক্লি হায়রগা শেরান্নবসি মখা অসুম চত্থরবদি উতোং অহোবদা ঈশিং শোকপগা পাংখক ওইগনি। ●

# জাতিগী শান্নবগী নুমিৎ অমদি ঐখোয়গী অকোয়বগী শক্তম

— এন মুনাল —

মায় পাকপশিংনা কৈদৌনুংদা খুদোংচাবা ঙাইদে, লৌনবা হোৎনৈ। ঙসিদি শান্ন-খোৎনবনা খুন্নাইদা খ্বাইদগী চাওবা মফম অমা কল্লরে। শান্ন-খোৎনবদা লুপচবা মীওইশিং হকচাং ফবদা নত্তনা নুংঙাইবা পুন্সি মহিং অমদি অফবা ৱাখল্লোন্দা হিংলে। হকচাং ফবশিংগী থোঙজিন্দা অনীংবা-অপাম্বা কয়ানা থিল্লবদা নত্তনা পুন্সিগী অপনবা-অথিংবা কয়াবুসু মায়থীবা পীরি।

শান্ন-খোৎনববু ঐখোয়না হকচাংগী, ৱাখলগী, খুন্নাইগী অমদি শেল-থুমগী চঙদবা য়াদ্রবা শরুক অমনি হায়না লৌবসু য়াই। ঙসিগী খুন্নাইদা য়াম্বা-য়ামদবা নত্তনা শান্ন-খোৎনবা য়াওদবা মীওই অমফাওবা লৈরম্লোই। ঙসিগী খম থেংনা চাওখৎলবা মালেম অসিদা শান্ন-খোৎনবনা খ্বাইদগী য়াঙনা চেল্লিবা ফম্বাক অমা ওইররে। ফম্বাক অসিদা অফবা মশান্না উৎপা অমদি অয়েংবশিংবু পেলহনবা হায়বসিসু তৌদবা য়াদবা শরুক অমা ওইরক্লি। অপাম্বশিং ফংনবা হোৎনবা, অনীংবশিং শাগৎপা অমদি অয়েংবশিংবু পেলহনবনা শান্নববু অচৌবা করবার অমগুম লৌনরক্লি। তৌইগুম্বসুং জাৎ-বিজাৎকী খেন্নবা থমদনা মায়কৈ খুদিংদগী য়াওশিল্লকপা অমদি মতেং পাংশিল্লকপনা শান্নববু করবার অমা ওইবদা হেন্না মতেং পাংশিল্লক্লি। অসুম্না নোংমা-নোংমগী চাওখৎলকপনা লন্নাইগী অমদি মীয়ামগী পুন্সিদা শান্নবনা অচৌবা মফম অমা কল্লরে। শান্ন খোৎনবদা জাৎ-ধর্ম্ম খায়দে। শান্নবনা জাতি খুদিংমকপু নুংশিনবগী মরীনা চেৎনা পুনশিনবী। শান্ন-খোৎনবনা জাতিগীদমক কখোকপগী থৌনা পোকহল্লি। লোয়ননা ঙসিগী জাতিগী য়ূম্বী ওইরিবা নহারোলশিংগী খ্বাইদগী শাথীবা য়েক্লবা অমা ওইরিবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তগী লাপথোকপা হায়বসিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মন্ত্রদি শান্ন-খোৎনবনি।

ঐখোয়গী জাতিগী শান্ন-খোৎনবগী নুমিৎ, হোকীগী জাদুগরনি হায়নরিবা মেজোর ধ্যান চান্দগী মপোক নুমিৎ ওগষ্ট ২৯দা শান্নরোয়শিংগীদমক অমদি শান্নবনা খুন্নাইদা হকচাং ফবা অমদি নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবগীদমক থৌরম অসি ইন্দিয়া পূম্বদা পাঙথোক্লি। নুমিৎসিনা শান্নবগী খোঙচৎতা হোৎনজমলগী হুমাং মমল ফংলকপা কয়াবু নীংশিংহল্লি। নুমিৎ অসিগী মরু ওইবা অমদি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা চহীসিগী মকোক থোংবা শান্নরোয়শিংবু খেল রত্না, অর্জুন এৱার্দ, দ্রোনাচার্য্য এৱার্দ অমদি ধ্যান চান্দ এৱার্দ পীদুনা ইকায়খুম্নবসু অমনি। ঙসি ঐনা ইজগদৌরিবা ৱারেং অসিদি শান্ন-খোৎনবা অমদি ঐখোয়গী অকোয়বগী ফীভমগী উনফম মফম অদুদনি। ঙসিদি মালেমগী মীওই কোটি কয়ানা মখোয়না পামজবা মশান্নদা য়াওশিন্দুনা অমদি য়েংদুনা শান্ন-খোৎনবনা মালেমগী অচৌবা মফম অমা কল্লরে। তৌইগুম্বসুং অসুক কান্নখ্রবা শান্ন-খোৎনবনা লেপ্তুনা চাওখৎলকপদা ঐখোয়গী অকোয়বগী শক্তমদা পীরিবা চৈথেংসু নীংশিংদবা য়াদবা অমা ওইরক্লে। মরম অসিনা কায়থরক্লিবা অকোয়বগী শক্তমবু কনবদা শান্ন-খোৎনববু পামজদুনা য়াওশিল্লক্লিবা মীপূম খুদিংমক্না পূন্না হোৎচিল্লবদি ঐখোয় শোয়দনা মালেম ইমাবু কনবদা মায় পাক্কনি।

জর্মনগী S.C. Freiburg Club না পোল্ল্যুসন কন্নবগীদমক টিকেট ককপদা মেটচ য়েংবা লাকপশিংনা মশাগী গাড়ী শীজিন্নহন্দনা বস অমদি ত্রেনদা লাকহল্লি। ক্লব অসিনা নুংশা অমদি নুংশিৎকী শক্তি শীজিন্নদুনা মৈ পুথোকপদা নত্তনা ঈশিং বোট্রলশিং শীজিন্নদনবা ষ্টেদিয়মদা থক্লবা ঈশিং ফংহন্দুনা হীরম খুদিংদা অমোৎ-অকায় লৈহন্দনবা হোৎনরি। ফুটবোলনা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা অমদি পাম্নবা মশান্না ওইবা মরম্না ফুটবোল ষ্টেদিয়মশিংদা শীজিন্নরিবা মৈ অমদি ঈশিংনা মহৌশা ইমাদা চাউনা অকায়বা পীরি। মরম অসিনা মালেমগী শান্নবগী লম্দা মাঙজিল থানা থৌদাং লৌরিবা ফিফানা ‘গ্রিন গোল’ অমসুং ওলিম্পিক গেমসনা ‘গ্রিন গেমস’ হৌদোক্তুনা শান্ন-খোৎনবনা কায়থরক্লিবা মালেম ইমাবু কন্দবা য়াদে হায়না অকনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লি। শান্ন-খোৎনববু লাইরিক লাইশু য়াওনা অকোয়বগী ফীভম অমদি নুংশিৎ-নুংশা শেংনা থমহনবা হায়বসি পুংজা অসিগী খ্বাইদগী তঙাইফদবা অমনি। ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক এসোসিএসননা কুমজা ২০২৪ ফাওবদা অঙৈং-অশা ৩০% অমসুং ২০৩০দা ৪৫% কনবদা মায় ওনশিনবগী পান দমসু থল্লি। মসিগী মথক্তা লেমহৌরিবা কার্বোন দাইওক্সাইদশিং অদুবু কন্নবা পান অফ্রিকাগী মহৌশা কন্নবা চঙশিল্লিবা অচৌবা প্রোজেক্ট, ‘গ্রেট গ্রিন ৱাল’ গী শরুক অমা ওইনা মাল্লি অমদি সিনেগালগী লৌ পরি ২,১২০দা উ চারা ৩,৫৫,০০০ থাবগী পান্দমসু থল্লি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সষ্টেনেবল দিভেলপমেন্ট গোলগী মরু ওইবা পাম্বোম অহুম ওইরিবা শেল-থুম, মহৌশাগী শক্তম অমদি হিংবগী মহাউ ফংহনবদা শান্ন-খোৎনবনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মাঙলোমদা খোঙজেল য়াঙনা চঙশিল্লিবা শান্ন-খোৎনবগা মরা চেৎপা মালেমগী অকোয়বগী ফীভম অমা থম্বগা লেংদবা মরী লৈনৈ অমদি মরী অদুনি ঐখোয়না মহৌশা লাইরেম্বী অমদি তুংগী মীরোলদা লেঙদবা অমা ওইনা শীজিন্নরমগদৌরিবসি।

শান্ন-খোৎনবা অমদি মহৌশাগী অকোয়বগী ফীভম অনীগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা মরীবু খঙলকপদগী য়ুনাইটেদ নেসন্স ইনভাইরনমেন্টেল প্রোগ্রাম অমদি ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক এসোসিএসন অনীনা কুমজা ১৯৯৮দগী শান্ন-খোৎনবনা মহৌশাদা পীরিবা চৈথেংশিং কন্ননবা অপূনবা থৌদাং লৌমিন্নবা হৌখি। ঙসিদি অচৌবা শান্ন-খোৎনবগী থৌরমশিং পাঙথোক্ত্রিঙৈ মাঙওইননা মহৌশাবু কনবা অমদি শান্নবগী মরী ফগৎপদা অহেনবা পূক্নিং থম্বা হৌরক্লে।

পূম্নমকসিগী খ্বাইদগী মপূং ওইবা শক্তম লাংলিবসিদি ঐখোয় মীওইবনি। মরম অসিনা শান্ন-খোৎনবগী ওইবা হীরম খুদিংমক ঐখোয়না মহৌশা ইমাবু কলহৌনবা খন্থহৌবা চঙই। ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক এসোসিএসননা পীবা রিপোর্টকী মতুংইন্না শান্ন-খোৎনবনা মহৌশাদা শিংনবসি মওং অনীদা হায়বদি শিনবা লাংবদা অমদি শেমগৎ শাগৎপদনি। অদুগা শান্ন-খোৎনবদা ফোসিল ফ্যুল শীজিন্নবনা অকোয়বগী ফীভমদা কয়াম মাঙহনবগে হায়বসি খঙবা অমসু চঙই। খুদম ওইনা কুমজা ২০১৮গী রুসিয়াদা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ্তা মৈ পুথোক্লবা মিলিয়ন ৩ কিলোৱাট ঔৱারগী Fossil fuel শীজিন্নখি। মসি ইমুং ৭০০কী চহী অমগী দরকার ওইবা মৈদুনি। অদুগা অমুকসু অমোৎ অকায় টন লিশীং ৭০ রোমসু পুথোক্লমখি।

শান্ন-খোৎনবগী ইন্দষ্ট্রিনসু অতৈ ইন্দষ্ট্রিগুম মহৌশাগী শক্তমদা চাওনা শীংনরি হায়বসি ককপা য়াররোইদবা ৱাফমনি। মসিদগী ঐখোয়না মতম লৈরিঙৈদা থিংহৌগে হায়রবদি অনৌবা টেক্নোলোজি, স্কিল অমদি থৌরম থৌরাংশিং পুথোকপা তাই। শান্ন-খোৎনবসু থাদোকপা য়ারোই অমদি মহৌশা ইমাসু কন্দবা য়াদে। অদু ওইরবদি ঐখোয় করি তৌবা তাই? লৈঙাক্লসু থৌরম থৌরাংশিং লৌখৎত্রিঙৈদা মদুনা মহৌশাদা পীগদবা চৈথেংবু খঙবীদুনা মতম চানা য়েংশিনবা চঙই। শিল্লি লাংলিবশিংনসু মহৌশা লাইরেম্বীবু কৈদৌনুংদা কাউথোকহন্নীংদে। ফংলকপা খুদিংসু হীরম অসিদা পাঙ্গলগী, থৌনাগী অমদি শেলগী মতেং পাংশিন্দুনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনহন্নীংই। হীরম খুদিংদা গ্রিন ইকোনোমি অমসুং ইকো-ফ্রেন্দলি ওন্থোক্তুনা শান্ন-খোৎনবনা তুংগী মীরোলদা পীরমগদবা খুদোলদু মহৌশা ইমাবুসু কন্দবা য়াদে হায়বসি মীওইবা জাতি ঐখোয়গী শোয়ফদবা লাইৱা অমা ওইহল্লসি। অসুম্না জাতিগী শান্নবগী নুমিৎনা লাকপদা শান্ন-খোৎনবা চাওখৎহনবগা লোয়ননা অফবা মহৌশা লাইরেম্বী ইমা অমা অচেৎপা ৱাশক অমগা লোয়ননা তুংগী মীরোলদা শিন্নরল্লসি। ●

## ꯃꯥꯡ / REGISTRATION CERTIFICATE LOST

I have lost my Original Registration Certificate bearing Registration No. 7764 of 1991 issued by Manipur University on 5th August, 2022 on the way between Kakwa and Yumnam Leikai. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Yumnam Somendro Singh**
HL-P/3976/30 Yumnam Leikai, # 9862788174

## ꯃꯥꯡ / BANK PASS BOOK LOST

I have lost my Bank Passbook of SBI, CRPF Camp Jharoda Kalan Group Centre Branch bearing A/c No. 33247100556 on the way between Nambol Bazar and Kwakeithel on 10/08/2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

HL-P/3978/30 Sd/- **Leimapokpam Sonia Devi**

## ꯃꯥꯡ / ORIGINAL REGISTRATION CERTIFICATE LOST

I have lost my Original Registration Certificate of B.Sc. Agri. bearing Registration number 18580024 of 2018 issued by Manipur University on the way between Langol Lanthungching and Nambol on 25/7/2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **T. Khushim Maring**
HL-P/3746/30 Machi Village

**No. 8/SDC/SLG/IE/certf./2017/**
**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST MANIPUR**

**TO WHOM IT MAY CONCERN**
**Dependent Certificate**
Sagolmang, the 26th August 2022

This is to certify that Smt Wangjam Loitang Devi M/o Wangjam Open Singh resident of Pukhao Laipham Mayai Leikai, under Sawombung Sub -Division Imphal East District Manipur P.O Pangei P.S Sagolmang.

Shri Wangjam Open Singh is now serving as Grade IV in the office of the Rural Development & Panchayati Raj Government of Manipur. Smt Wangjam Loitang Devi age about 70 years is now living under same roof and kitchen and now undergoing medical treatment as such all the day today expenses are bear from the salary of Wangjam Open Singh. Smt Wangjam Loitang Devi is fully depend on her son.

If anybody regarding the claim/objection may kindly report to the office within 7(seven) days from the date of publication of this notice.

He/She is not related to me.

**Sd/- Sh. Rajmohon Singh**
**Sub-Deputy Collector,**
**Sagolmang**
HL-P/3981/30

## ꯃꯥꯡ / MARKSHEET LOST

I have lost my Original Marksheet of Hr. Sec. Examination of 2000 bearing Roll No. 17298 issued by COHSEM on 21st August, 2022 on my way to work between my home and workplace. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Yumnam Henthoiba Mangang**
HL-P/3821/30 Keirak Khongnang Leikai # 7085744593

## ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / খঙহঞ্জবা

Loktak Development Authority (Re) MR/Employee & Workers Association Ningthoukhong (Regd. No. 536) গী মখাদা লৈবা মেম্বর ১৪৮ গী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি মতম শাংনা Hon'ble High Court তা Case থেংনজবদু মায় পাক্তুনা থবক হঞ্জিন্নবগী Process তৌগদৌরে। মরম অদুনা মথক্তা পঞ্জরিবা Association অসিগী মেম্বরশিংনা লাক্লিবা তাং ৫-৯-২০২২ ইং ফাওবগী মনুংদা মরী লৈনবা চে-চাংশিং পুবীরক্তুনা (MR-Appointment Order, Aadhaar Card) Association অসিগী General Secretary গা উন্নবীয়ু, হায়রিবা মতম অসিগী মতুংদা লাকপা মেম্বরশিংগী ৱাকৎ Association অসিনা লৌজরোই হায়না পাউচেগী থোঙদা খঙহঞ্জরি।

খঙহঞ্জরিবা : **T. Rabi Singh**
General Secretary, L.D.A. (Re) MR/E & W Assn.
HL-P/3744/30 Ningthoukhong

**BEFORE THE OATH COMMISSIONER, MANIPUR AT IMPHAL**
**AFFIDAVIT**

I, **Sahid Khan B.M.,** aged about 36 years, S/o (Late) Abdul Salam B.M., a resident of Hiyangthang Tarahei Konjin, P.O. & P.S. Wangoi, District Imphal West, Manipur, do hereby take oath and solemnly affirm as follows:-

1. That, I am a law-abiding bonafide citizen of India residing at the above mentioned place. This is true to my knowledge.
2. That, now I am serving as Rifleman of Assam Rifles G/D, A/Coy 33 AR 99 APO bearing Army No 5007197 under the Government of India. This is true to my knowledge.
3. That, in my service record my wife's and my daughter's name has been wrongly recorded as ***Elizabeth Parbin Bm*** and ***BM Farheen*** instead of **Parbin Buyamayum** and **Farheen Buyamayum** respectively. This is true to my knowledge.
4. That, the correct name of my wife and my daughter names are **Parbin Buyamayum** and **Farheen Buyamayum** respectively and the same is recorded in their Aadhaar Card. This is true to my knowledge.

Verified that the foregoing statements mentioned in paragraph 1 to 4 are verily true to the best of my knowledge and belief and there is nothing to be conceal therein.

Dated/Imphal
The 29th August, 2022 — Signature of the Deponent
Drawn by : **Advocate** — **Sahid Khan B.M.**

**Kh. Khamba Singh**
Oath Commissioner
Regd. No. 467 of 2021
Imphal West District, Manipur
HL-P/3745/30

**No. 8/SDC/SLG/IE/certf./2017/**
**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST MANIPUR**

**TO WHOM IT MAY CONCERN**
**Dependent Certificate**
Sagolmang, the 26th August 2022

This is to certify that Laishram Romeo Singh S/o Laishram Ingobi Singh resident of Pangei Thambou Lampak , P.O Pangei P.S Heingang, under Sawombung Sub -Division Imphal East District Manipur.

Laishram Romeo Singh is now serving as constable of CISF posted at Sibasagar, Nazira Assam Laishram Ingobi Singh (father) age about 70 years and Smt Laishram (o) Leirikchaobi Devi (mother) age about 56 years they have no income of their own and living under same roof and kitchen as such all the day today expenses are bear from the salary of Laishram Romeo Singh. Shri Laishram Ingobi Singh (father) & Smt Laishram (o) Leirikchaobi Devi (mother) are fully depend on her son.

If anybody regarding the claim/objection may kindly report to the office within 7(seven) days from the date of publication of this notice.

He/She is not related to me.

**Sd/- Sh. Rajmohon Singh**
**Sub-Deputy Collector,**
**Sagolmang**
HL-P/3981/30

## WANTED TEACHERS FOR A REPUTED COACHING CENTRE AT IMPHAL

| Subject | Class | Qualification |
|---|---|---|
| 1. Mathematics | (11 & 12) | M.Sc. B.Ed. |
| 2. Hr. Maths | (9 & 10) | B.Sc. / M.Sc. B.Ed. |
| 3. Physics | (11 & 12) | M.Sc. B.Ed. |
| 4. Chemistry | (11 & 12) | M.Sc. B.Ed. |
| 5. Biology | (11 & 12) | M.Sc. B.Ed. |
| 6. Home Sc. | (9 & 10) | B.Sc. / M.Sc. B.Ed. |
| 7. Biology | (9 & 10) | B.Sc. / M.Sc. B.Ed. |
| 8. Mathematics | (6 - 10) | B.Sc. / M.Sc. B.Ed. |

*** Preference is given to in service teachers.**
**FRESHERS ALSO CAN APPLY.**

**Contact : 9612441824 / 7628946313 / 8732022342**
HL-P/7808/23-30

## ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম, লল্লোন-ঈতিক, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, মরুপ-য়েক্লবা, য়ুম-ইঙ্খোল হকচাংগী অফ-ফত্ত অসিনচিংবা কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কুপথনা য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
HL-B/7793/11/8-11/9 Imphal East, Manipur

## ꯂꯧꯐꯝ ꯑꯃꯥ ꯌꯣꯟꯖꯔꯤ / লৌফম অমা য়োঞ্জরি

ঐ ইশাগী মিংদা লৈবা লৌফমদগী ইঙ্খোল ওনখিবা ইঙ্খোল .60 চাওবা অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। মফম্না (২৯) নুঙ্গোই, কোইলাস রোদকা তাইনবা Uyumpok, Imphal Road নি। দুকান পরেং শাংনা শাবা য়ারবা ফজবা মফমনি। কনাগুম্বা পাম্বীবশিংনা মখাদা পীজরিবা কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

HL-P/3819/26,28,30 **# 8414834748**

## THE HIGH COURT OF MANIPUR AT IMPHAL

**NOTICE INVITING TENDERS**
Imphal, the 29th August, 2022

No. HCM/C-55/2013-A&E/Pt./ : Tender in the prescribed format duly filled and sealed addressed to the undersigned are invited from reputed hoteliers/restaurants for running a 'Canteen' in the High Court Complex, Mantripukhri to provide breakfast, lunch, snacks, tea, coffee and other beverages besides regular local items during office hours i.e. from 9:30 am to 5:00 pm. Tender documents indicating full details may be collected from the office of the undersigned on any working day between 10:00 am to 3:00 pm upto 12th September, 2022 (Monday). The quotation papers shall be received by this registry upto 11:00 am of 19th September, 2022 (Friday) and the same shall be opened on the same day at 11:30 am in presence of the quotationist(s) if any. The rates should be quoted clearly inclusive of all charges like GST etc.

**Sd/- i/c REGISTRAR (ADMN./PM&P)**
HL-B/7814/30 **HIGH COURT OF MANIPUR**

**/খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙ মপান্দা তাংমুক শাংনা পোমথোরকপা, পোমথোরকপা অদু অমুক হঞ্জিল্লগা অমুক পোমথোরকপা, অসুম্না তৌরগা লৈবা, অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বদা মপূং ফানা হামদোকপা য়াদবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা গ্যাস তোয়না চৎপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাবা অদু হীদাক চারবসু খকউ য়াদবা, হীদাক চারগা নোংমা-নীনি ঈ তাবা অদু খক্লম্লগা অমুক হন্না ঈ তারকপা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, শা-ঙা চারগনা হেন্না ঈ তারকপা, হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা, অদুগা ঈ কাপ্পা, খোঙ হাম্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা পোকপা, ঈ তারক্কনি খনবদা খোঙ তোয়না হামদনবা খজিক্তং চারগা তোকপা, অমাংথোঙ ময়াদা তাংমুক শাংনা পোমথোরকপা, পোমথোরকপা অদু হঞ্জিনখিবা অমদি অমুক পোমথোরকপা অসুম্না তৌরগা লৈবা, পোমথোরকপা অদুনা য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বদসু চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বা লোইরগসু মিনিট ২০ মুক অমাংথোঙদা নারগা লৈবা, ফম্বসু য়াদবা, লোংনা হিপ্পসু য়াদবা অমাংথোঙদা তাংমুক শাংনা পোমথোরকপা হৌরকপদা, খোঙ হাম্বদা মপূং ফানা হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, হামেং মথিগুম্না মৰূ-মৰূ অকনবা ওইনা হাম্বা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা গ্যাস য়াম্না তোয়না-তোয়না চৎপা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **W. Ibemcha Devi**
HL-B/7796/30 Wangoi